# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-2

(What is climate and how it differes from weather?)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) মংলেমজাও (পাইখোম্বগী ময়াম্বা) (২) থোইথোইবা (পাইখোম্বগী মমান্নবা) (৩) পাইখোম্বা (রিছার্চ স্কোলর)

নুপীঃ- (১) শখিতোম্বী (মংলেমজাওগী নুপী)
(২) ৱাংথোইবী (মংলেমজাওগী মচলনুপী)

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, নোং খাকপগী মখোল, নোংলৈ-নুংশিৎ কন্না শীৎপগী মখোল, উ-ৱা তেক্লকপগী অকনবা মখোল)

শখিতোম্বী :- (পাখৎনা) ইস ! করিমতৌনো সিদি অসুক কন্না শিৎলকপা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিবো... থোঙ থোঙনাওগসে অমত্তা লোনশিনবগা নংহৌদে কমায় তৌনি তৌরিসিবো। ৱাংথোইবী...ৱাংথোইবী (কৌবা)। নঙবু কদায়দা লৈগেনে, লাওনে সিদা থোঙ থোঙনাওশিংসে অমুক্তা লোনশিন্নবা তৌসিনে।

ৱাংথোইবী :- ইনম্মা ! ঐ মনিংলোমগী থোঙ থোংনাওশিংসে লোনশিন্নবা হোৎনরিয়ে।

শখিতোম্বী :- (শ্বর থবেৎ থবেৎ পাখৎনা) ওহ্নোক্লসু কন্না শিৎলেদা, উ-ৱা পুন্বা লোয়নমক তেক্লম্বা তারে, য়ুম-কৈসু হুমদোক্লবা য়াওরল্লগনি। হায় ৱাংথোইবী নঙবু সিদা লাও হায়বনে, (মৈ মুৎখিবা) মৈসু মুৎখ্রেনে তৌরিসে পুন্মম হেক মল্লে করিমতা উদ্রেনে।

ৱাংথোইবী :- ইনম্মা ! ঐ করিমতা উদ্রে চৎফম খঙদ্রে, উপু মথক্তা তোর্চলাইট লৈহৌবনে অমুক্তা কাপ্পীরকউ।

শখিতোম্বী :- কদাইদনোনে তোর্চলাইটুতুবো (থীবগী মওং), এ...এ... লৈরে লৈরে সিদা... সে সে লাকও লাকও সোমদা।

ৱাংথোইবী :- ইনম্মা ! ঐখোয় তাচৌদুবু ওফিস কুপ্লকপা মতম ওইশিল্লক্লে, লম্বীদা নোং নুংশিৎসি থেংনরল্লবদি কমায় তৌরমগনি, ঙসিদি গাড়ি মচাসু পুখি ঐদি য়াম্না পাখৎলে।

শখিতোম্বী :- হোয়নে ইনম্মসু মিহুনগসে আ য়ৌরে পাখৎপনা, লম্বীদা লাক্লল্লবদি কমায় তৌরমগনি, শাফগদবা মফম অমদা চংদুনা লৈরল্লবদি ফগনিদা। নঙ ফোন্দু অমুক্তং তৌদুনা য়েংঙু (নুংশিৎ অদুমক কন্না শিৎলি)।

ꯔাংথোইবী :- (ফোনগী কিপেদ নম্বগী মওং, রিং চৎপগী মখোল) ইনম্মা ফোন রিংদি চৎলি পায়দি পায়খৎলক্তেয়ে।

শখিতোন্বী :- হে ঈশ্বর ইবুংঙো ফৎত নুংদা থোকহনবিগনুকো, অৰা-অনা তাহনবিগনুকো।

ৰাংথোইবী :- নুংশিৎ শিৎপদি খরা নেমথরক্লে, নোঙ অমুক কন্না চুথরক্লে কমায় তৌনি ইনম্মা।

শখিতোন্বী :- (পাখৎনা) হায় ! নালাগী পাইপশিংসু লোয়না হুমদোকখ্রমাল্লেনে, ইমুংদা ওইনা ঈশিং চেনশিল্লক্লে।

মংলেমজাও :- শখিতোন্বী... ৰাংথোইবী নোইবু তাবরা, নুমিদাংৰাইরম ওইরকপদা ঙাইরি মতমসে, পুম্মম হেক মমখ্রে, করিমতা উদ্রে মৈ অমতং মাঙ্গোলসিদা থানবা য়াদবরো হায়বা নখোয়বো।

ৰাংথোইবী :- ইনম্মা তাচৌ লাক্লমাল্লে, ঐ অমুক্তা লেম্পসি মাঙ্গোলদা থাল্লুখিগে। কেন্দল অমত্তা চুখৎপিরম্মু।

শখিতোন্বী :- নোয় তাচৌ লাকএ হায়বা, ফরে ফরে।

মংলেমজাও :- কৈনোনেহে নোইবো কনামতা তাদ্রবরা তৌরিসিবো।

ৰাংথোইবী :- লাকএ লাকএ তাচৌ ... নোং নুংশিৎ কন্না শিৎপা কান্দুদা তাচৌদি কদায়দা লৈ।

শখিতোন্বী :- সে মোয় তাচৌ অচোৎপা ফিরোলশিংদো হান্না অমুক্তা হোংদোকপিখো।

মংলেমজাও :- ইস ! ঙসিগী নুংশিৎতুদি কনখ্রে কনখ্রে, ঐগী গারিসি তুশিন্দুনা শোক্লমগদবা খজিক্তা ঙাইবনি, ঐগী হেক ইমাংমক্তদা উপান্বী অমা তেকথরক্তুনা নুপা অমদি য়াম্না থিনা শোকহৌরে। ঐবুদি অনকপা য়ুম অমদা চেনশিন্দুনা লৈরেদনা।

শখিতোন্বী :- ইস নুংঙাইতেদো ওন্থোকপনিদা।

ৰাংথোইবী :- তাচৌ ঐখোয়দি পাখৎপনা লোয়রুরবনি তাচৌ হল্লক্তবদুদা।

মংলেমজাও :- অসুক কুইবা চহি ২০-৩০ সিদা ঙসিগী অসুম্না কনবা নোংলৈ নুংশিৎসে ঐখোয়গী মফমসিদদি অমুক্তা থেংনরক্ত্রি।

শখিতোন্বী :- হোয়নে মোয় তাচৌ ওন্থোক্লসু কনখ্রে কনখ্রে, ঙসিগী মওংসিদি মতা অমনি অশোক অপন অশি অনা, অতেক অকায় য়াম্না য়াওরমগদবা মাল্লিবো।

ৰাংথোইবী :- তাচৌ... ইনম্মা.... মালেমসিদা লৈরিবা মফম অয়াম্বগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম হায়বদি ৰেদর অমদি ক্লাইমেটকী মওং মতৌশিংসে য়াম্না হোংলে, মমাংঙৈগী মতমগা মান্নরক্তরে।

মংলেমজাও :- (ফোন রিং লাকপা) অস ! তাঞ্জাসিদা ফোন তৌরকইসিনা কনানো... হায়মা সিদি ঐখোয় পাইখোম্বনিনে... (ফোন রিসিভ তৌবা) হায় পাইখোম্বা কৈদৌরগেনে নঙবো।

পাইখোম্বা :- তাচৌ ঐ কৈসু তৌদেয়ে, ঐ য়ুমদা থোরক্কে হায়গে তৌবনি, পৈশা খিৎতা থাবিরকও, ঐগা রিছার্চ ৱার্ক পুন্না তৌমিন্নরিবা ইমান্নবা হোজাইদগী থোইথোইবসু য়াওরক্কনি। মানা ঐখোয় মণিপুরগী লমিৎ-তুমিৎ, অইং-অশাগী মরমদা খরা থীজিন্নিংবা মাল্লি।

মংলেমজাও :- হোয় হোয় কয়ানোনে পৈশাবো, কৈদৌঙৈ থোরক্কে হায়বনো নখোয়বো।

পাইখোম্বা :- লুপা লিশিং ২০মুক্তং ঐগী একাউন্টদা হাপ্পীরকও, শোমদা ঐখোয়গী স্কোলরশিপকী পৈশা কায়থোকপা নংনদ্রে, হংচিৎ ওইনা হেক্তা থোরক্লগে।

মংলেমজাও :- হোয় হোয় ।

-ম্যুজিক-

(মতম - অয়ুক, মংলেমজাওগী য়ুম)

শখিতোম্বী :- মোয় তাচৌ থেংলে হৌগৎপিরো, কৈদৌরগে ঙসিদি অদুম তুমশিন্দুনা লৈবিরিদুবো, থেংঙেসে হৌগৎপিরো (মশা নোমদুনা হৌদোকপা), তারবরো মোয় তাচৌ... সে... হৌগৎপিরো।

মংলেমজাও :- (তিংলি য়াংলিবা) আ... হা... ইস ঐদি নোংঙাল্লকান্দা অমুক ফজনা তুমথরুরমাল্লেনে তৌরিসি। পুংসিদি আ য়ৌখ্রেদনা, হায় হায় ঐ অমুক্তা শৎ থুনা ইশা ইউসে শেংদোক্লুখিগে।

শখিতোম্বী :- খরা থুনা লোয়শিনবিরকউকো মোয় তাচৌগী হৌনবী নীংঙাই মলাইদবদো ঙসিদি য়াররোই, চা-নুং লোয়না শেম শাদুনা থমজরবনিকো।

ৱাংথোইবী :- ইনন্মা ঐখোয় তাতোন হৌজিক থুংলরগদবা নৎতরা।

শখিতোম্বী :- উম ! হৌজিক্কী অহানবা ফ্লাইটতা য়ৌরক্কনি।

ৱাংথোইবী :- ইনন্মা নহানগী নোংলৈ নুংশিৎতো ঐদি সুম খল্লুরগা য়াম কীজৈ, ঙরাংগী ৱেদর মওংদুগা হায়রবদি ঙসি সুমাইনা অতিয়াসে পুমশেং শেং নুমিৎনা তরং তরং থোক্কনি হায়সে থাজরুদেকো ইনন্মা।

শখিতোম্বী :- চুম্মী ইবেন্মা হৌজিক্কী ওইরিবা ৱেদর হায়দি অইং-অশা নোংজু নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমসে য়াম থুনা ঙহাক ঙহাক্কী ওইনা অহোংবা লৈরবনে। হান্নগী মতমগা য়াম্না খেন্নরবনি।

ৰাংথোইবী :- চুন্মী ইনন্মা। ঐখোয় তাতোন লাক্লগা হন্দক্তি তাতোন্দগী ৰেদর অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী মরমদা ঐনা খঙনিংবা মরম ময়াম অমা লৈরিসে খঙহৌদবা য়াদরে।

শখিতোন্বী :- উম নঙনা খঙনিংবা পুন্নমক লোয়না খঙহৌবা য়াররনি, নোয় তাতোনগী মমান্নবা থোইথোইবা হায়রিদুসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা রিছার্চ তৌরিবা ওইরমাল্লে।

ৰাংথোইবী :- এ ! অদুদি তান য়াম চারে, ঐনা খঙনিংঙিবা পুন্নমক খঙহৌবা য়াররনি।

মংলেমজাও :- (খৌদেন্বা) কৈদৌরে নোয়দি অদুদা ফজনা ফল্লগা ৰারী শান্নদুনা লৈরদি, হায় ঐখোয় পাইখোন্বগা মমান্নবদুগা হৌজিক এয়রপোর্টর্চতা থুংলবা মতম ওইশিনলক্লে। চাক ঈশিং থোংবা লোয়শিল্লবরো।

শখিতোন্বী :- চাক্তি ঙসাইনা থোংবা লোয়রবনে ঐখোয় পাইখোন্বনা পামজবা এঞ্জাং মথেল পুন্নমক থোংলবনে।

ৰাংথোইবী :- তাচৌ ! চগেম ঊতি অশংবা, য়েন্দেমগা শোয়বুমগা ইরোনবা, নাকুপ্পীগা খজিংগা কাংঙৌ, উকাবী অতাওবা, ঙা তোয়না থোংবা, অস ঙসাইনা লোয়দুনা থল্লবনি।

শখিতোন্বী :- হায়মা মোয় তাচৌদি ঐখোয় পাইখোন্বা এয়রপোর্টতা ওকপা চৎলরোইদ্রা হৌজিকফাওবা করিমতা লোইশিনবীদ্রিবসিবু থেংদ্রিবরো।

মংলেমজাও :- ঙসাইনা ঐগা পাও ফাওনখ্রবনে, ওকপা লাকত্রসু য়াররনি মোয়না থোকপা অদুম লাকঅগে হায়রকএ। (তাঞ্জাসিদা গাড়ী থৌজিনলকপগী মখোল)

ৰাংথোইবী :- (হরাওনা হায়বা) তাচৌ, ইনন্মা ঐখোয় তাতোন লাকএ।

মংলেমজাও :- শখিতোন্বী অঙাংশিংসে মৈ ওক্লবা অমুক্তা তৌরু।

শখিতোন্বী :- হায় ঙইখো ঙাইখো মৈ অমুক্তা ওকথোকখিসি।

পাইখোন্বা :- ভাই থোইথোইবা ! ঐখোয় য়ুম য়ৌরে চংঙসি লাকও।

শখিতোন্বী :- সে সে মৈ ওকথোকসিসে... (মৈখেৎ খেৎপগী মওং) ... আ য়ারে য়ারে লাকও লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও।

মংলেমজাও :- ইবুংঙো থোইথোইবা লাকও লাকও চংঙসি করিমতা কোইগনুকো নয়ুন্মক্লী খনগদবনিকো।

থোইথোইবা :- তাচৌ ! ঐ তাচৌহোয় ইতৈমাহোয় অদুগা ইচন ৰাংথোইবীগী মরমদা পাইখোন্বদগী হান্না লোয়না খঙজরে, শক অমুক্তং উনজনিংদুনা ঐ পাইখোন্বগী তুং ইন্দুনা লাকচরিবনি। ঙসি ময়ামগা উনবা ফংজবসে ঐ হায়ফম খঙদনা নুংঙাইজরে।

শখিতোন্বী :- ইবুংঙো থোইথোইবা ঐখোয়সু নঙ লাকপসে ওন্থোক্লা নুংঙাইজরে।

ৰাংথোইবী :- দাদা থোইথোইবা ঙসিদগীদি ঐগী ইবুং অহুম শুরে খনজরবনি।

থোইথোইবা :- ঐগীদি ইচল অমত্তসু লৈজদে ঙসিদগীদি ঐগীসু ইচল অমা ফংজরবনি।

ৰাংথোইবী :- তাতোন ঐনা লৈরকউ হায়বশিংদু লৈরকপরা।

পাইখোম্বা :- নঙনা লৈরকউ হায়বা খুদিংমক লোয়না লৈরকঅবনি।

ৰাংথোইবী :- অদুদি পীরকওদনা কাদয়নো সে পীরকও য়েংনিংবনা লোয়রে, সে পীরকও হায়বা।

পাইখোম্বা :- মসি অঙাংসিমা কোন্না পীগেহে।

থোইথোইবা :- ৰাংথোইবী! ইবুংনা নঙগীদমক্কি হায়দুনা এন ইন্ট্রোদক্সন টু দাইনামিক মেটিওরোলোজি হায়বা জেমস আর. হোল্টননা ইবা লাইরিকসি লৈবীরকপনি, সে লৌশিল্লুসে।

ৰাংথোইবী :- ফরেদা সিদি ঐঙোন্দা য়াম কান্নরনি অদো দাদা থোইথোইবা নহাক্না হন্দ্রিঙৈদা ঐঙোন্দা ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎকী মরমদা ফজনা অমুক্তা মরিক চুম্না তাকপিরম্মুকো।

থোইথোইবা :- হোয় হোয় তাক্লুগা লোয়রেদনা।

মংলেমজাও :- লাকওনে নোয়বো ৱারীদো হোরেল মেন তানা ফজনা অমুক শারসিনে, চাক হান্না অমুক্তা চাথোক্লবা তৌরুরসি। ঐবু ওফিস কাবা থেংখ্রনিনে, ঐখোয় দাইরেক্টরনা মংলেমজাও লাক্ত্রিবা লাক্ত্রিবা হায়দুনা কোয়হং হংদুনা লৈরম্মদবনি, ঐনা খিৎতং হেক থেংখিবদা।

শখিতোম্বী :- লাকও লাকও ইমুংদা চংলসি লাকও ঙসাইদগী মাঙ্গোলসিদা ৱারী শাদুনা অদুম লৈরে, হায় ইবেম্মা... ৰাংথোইবী নবুংশিংগা চাক চাথোকমিন্নবা অমুক্তা শেম শারুরসি লাকও।

ৰাংথোইবী :- হোয় হোয় ।

-ম্যুজিক-

(মফম:- মংলেমজাওগী য়ুম, মতম :- নুমিদাংৱাইরম)

পাইখোম্বা :- ইস ঙসিসিদি ওন্থোক্লা শাখ্রেদা, ভাই ঐখোয়গী মণিপুরসে হান্নদি সুমাইনা শারমদবনি, মতম অমদদি য়াম্নসু শাদবা য়াম্নসু ইংদবা নুংঙাইখ্রবা লমদম লাইরৈবাক্কি হায়নরল্লিবনি, হৌজিক্তি মালেমসিগী হোংলক্লিবা, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল অসিনা মরম ওইরগা হান্নগী ওইজরল্লিবা অইং-অশাগী ফীভমদা চাওনা অহোংবা লৈরে। লাকও মমাংগী গার্দেনসিদা হকচিক ঙহাক্তং লাংলুসি।

থোইথোইবা :- উম চুম্মী ভাই, মালেমসিগী শাবগী চাংসে হৌজিক্তি য়াম্না হেনগৎলে। হায়মা ! ভাই সিদা ক্বা পাম্বী মরিমঙা হৌরিসিদি ওন্থোক্লা ফজনা পাল্লেদা।

| | | |
|---|---|---|
| পাইখোম্বা | :- | হোয়না ঐদি য়েংবু য়েংশিল্লুদে, সিদি য়াম ফজনা পাল্লেনে, চহি তরা কুনগী মমাংদদি ঐখোয়সিদা ক্কা অসি ফজনা মপুং ফানা অমুক্তা পানবা ঙম্লমদবনি, হৌজিক্তি ওন্থোক্লা ফজনা পাল্লেহে। |
| থোইথোইবা | :- | অইং-অশাগী খলদা অহোংবা ময়াম অমা লাকপদগী হৌরমদবা পাল্লমদবা লৈরমদবা পান্বী, শা-ঙা কয়া অমা লৈরকপা অদুগা অমুক হান্না লৈজরম্বা কয়া অমনা মফমদুদগী মুৎখিবা মাঙখিবা পুম্নমকসে মায়োক্নরক্লিবনি। |
| ৰাংথোইবী | :- | তাতোন... দাদা থোইথোইবা কদোমদনো নোয়না লৈরিদুবো, চা লোনবা লোয়রে চা থক্লসি লাকও। |
| পাইখোম্বা | :- | নঙবু অসুক শাবসিদা চা লোল্লুরিবদুবু হৈ মহি ওইনা কোক শেমলক্কেদি হায়দে, লাকও লাকও ঐখোয় মমাংগী গার্দেনসিদা ফন্লি সিদা ওইনা হেক্তা পুরকও। |
| ৰাংথোইবী | :- | ইনম্মা ! তাতোনহোয় আ মমাংলোমদা ফন্লি হায়য়ে ঐ চাসে পুরন্লগে, অচাপোৎতো পুরগা ইনম্মসু লাকপিরো। |
| শখিতোম্বী | :- | হোয় হোয় নোয় তাচৌসু ওফিস কুম্লক্লে নোয় তাচৌগী চা শরুকসু য়াওনা পুরম্মো। |
| ৰাংথোইবী | :- | তাতোন... দাদা থোইথোইবা সে চা সিদা থল্লগে, হৌজিক চা থক্লা থক্লা ঐনা খঙনিংবা ৰেদর অমদি ক্লাইমেৎকী মরমদা লোয়না হংহৌরগে। |
| থোইথোইবা | :- | করি করিনো ইচলনা খঙনিংলিবদুবো নঙনা খঙনিংবা পুম্নমক লোয়না তাক্লগে হায়দুনা নবুং ঐখোয় ঙাইদুনা লৈরবনি। |
| শখিতোম্বী | :- | হায় হায় অঙাংশা, সে সে অচাপোৎসু লৈরেসে। মোয় তাচৌসু সোমদা ওইনা লাকপিরো। ঙসিদি ঐসু ইনাওনুপা অনিদগী মালেমসিগী অইং-অশাগী মরমদা খরদি খঙহৌদবা য়াদরে, ৰাহংসি ঐনা হান্না হেক্তা হংবা হৌরগে। |
| মংলেমজাও | :- | কদায়নো ঐগী চাদুবো পীরকওদনা। |
| শখিতোম্বী | :- | সে সিদা লৈজরে (ময়াম চা থকপগী মওং)। |
| ৰাংথোইবী | :- | য়ারোই য়ারোই ইনম্মা ৰাহংদি ঐনা ইহান হান্না হংবা হৌগদবনি, ঐনা ময়ামসিদগী খ্বাইদগী অঙাংনি, ঐনা চান্স ফংফম থোকই। |
| মংলেমজাও | :- | হংঙো হংঙো ইচলনা খঙনিংলিবা পুম্নমক নবুং পাইখোম্বা অমদি থোইথোইবদগী হংহৌরো। ইচলসু হয়েং নবুং অনিগী মতুং ইন্দুনা মালেম অসিদা হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল কায়লক্লিবা ময়াম অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌবা ঙম্নবা। |

ৰাংথোইবী :- উম ! ঐনা ইহান হান্না খঙনিংলিবদি ৱেদর অমদি ক্লাইমেট হায়রিবা ৱাহৈ অনিসি ঐখোয় মীপুম অয়াম্বনদি ইতৎ তৎতনা অদুম হায়নৈ অদুবু অয়াম্বনদি ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎ অনিসিগী মরমদা য়াম্না হেন্না মমুৎ তানা খঙনদে। অদুনা তাতোন... দাদা থোইথোইবা ৱেদরগা ক্লাইমেটকা খেন্নবসিগী মরমদা খরা হায়বিয়ু।

থোইথোইবা :- ঐখোয়না তোয়না তোয়না অদুমক হায়নরিবা পন্নরিবা, ঙাংনরিবা ৱেদর হায়বসি ইশম শম্না ইরায় লায়না হায়রবদা অতেনবা মতমগী ওইবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ওইরিবা মওং-মতৌ ফীভম অদুবুনিকো। মফম অমগা মফম অমগগী ৱেদর অসি অমত্তা মান্নদে অদুগা মফম অমগী ৱেদর অসি মীৎকুপ পূংজা খুদিংগী অহোংবা নাই।

শখিতোম্বী :- অদুদি হৌজিক নুংশা খংশা শারন্বা মফম অসি নোং খঙমং মংশিল্লকপা নত্রগা চুথরকপা, অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপা, অমুক খঙহৌদনা চুরন্বা নোং, শিৎলন্বা অকনবা নুংশিৎ খঙলেপ লেপখিদুনা অমুক নুংশা তরং তরং শাদোরকপনচিংবশিং ঙহাক ঙহাক্কী ওইবা অহোংবা ৱেদরগী শক্লোন্নি হায়বা তারেনে ইবুংঙো।

পাইখোম্বা :- উম চুম্মী ইতৈমনা হায়রিবা পুন্নমক য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফমনি। অদুগা ইতৈমা ঙসি নুংশা শারবসু হয়েংসু অদুমক শাদুনা লৈগনি হায়বা য়াদে, হয়েংনা নোং অমুক খঙতা তারকপসু য়াই নত্রগনা নোংথি নোংমঙদুনা অদুমক লৈবসু য়াই। অকক্লবা মফম অমগী ঙহাক ঙহাক্কী ওইরিবা, নোংম নোংমগী ওইরিবা অদুগা চয়োল অমগী মনুংদা ওইরিবা হায়বদি অতেনবা মতমগী ওইবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং, নুংশিৎকী খোঙজেল অসিনচিংবশিং অসিগী মওং-মতৌশিং অসিবুনি ঐখোয়না মফম অমগী লমদম অমগী ৱেদর হায়রিবসি।

মংলেমজাও :- ইবুংঙো থোইথোইবা ৱেদরগী মরমদা খঙননবা তম্লিবা নৈনরিবা পুন্নমকশিং অসিবু নৎতবরা মেটিওরোলোজি হায়রিবসি।

থোইথোইবা :- মানি তাচৌ, মালেমসিগী অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ, অইং-অশা নোংজুগী চাংগী মরমদা নৈনরিবা অমদি করন্বা মতমদা কদায়দা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ, ঈশিং-ইচাও, সুনামী, য়ুহার হাবনচিংবা থোক্লক্কদগে হায়বনচিংবশিং মাঙজৌননা খঙদোক্তুনা মীয়ামদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌনবা খঙহল্লিবশিং পুন্নমক অসিবুনি মেটিওরোলোজি হায়রিবসি।

পাইখোম্বা :- মালেমগী ওইবা ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ এম ও) হায়রিবা অসি ইং ১৯৫০গী মার্চকী তাং ২৩ দা লিংখৎখি। মরম অসিনা চহি খুদিংগী মার্চকী তাং ২৩ অসি মালেম শিনবা থুংনা ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল দে হায়দুনা পালন তৌনরি।

ৰাংথোইবী :- তাতোন ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ এম ও) হায়রিবা অসিগী মরমদা খরদংগা শন্দোক্লা হায়বিয়ু, মখোয়না তৌরিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদসু খঙনিংই।

শখিতোন্বী :- ঙাইখোদা অঙাংশা ঙসাইদগী নোয়না হায়নরিবশিং অসিদা ক্লাইমেৎকী মরমদি শুংহায় হেক হায়দে শুংপন হেক পল্লক্তে। ক্লাইমেৎকী মতাংদসু খরা হায়রকউদনা, ইতৈমাহোয়দি নখোয়গী সাইন্সকী মরমদদি করিমতা খঙদবা হৈজদবা, উজদবা হৈবোং মনুংদা লৈবা তীনগুন্বনি।

মংলেমজাও :- অস শখিতোন্বী নঙসে ওন্থোক্লা ফরক তাখ্রেহে, অঙাংশিংনা অদুম মতাং চানা মরি লৈননা মথং-মথং অদুম হায়জরক্কদবদুবু ওন্থোক্লসু ঙাইঙমখিদ্রবা হায়বদুনি নঙসে।

শখিতোন্বী :- (শাওরপ) কৈনো ঙসাইনা নোয়বু ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎ অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরি, খেন্নবশিং অদু খন্ননি হায়বদাইনে, অদুগী হায়বনি কৈনো।

থোইথোইবা :- ইতৈমা ঐখোয়গী ৱারীসে হৌরকপদা ঙাইরি অদুম মথং-মথং শোয়দনা মরি লৈননা হায়রক্কদৌরিবনি।

ৰাংথোইবী :- তাতোন সে মখা হায়বিরকও ডব্লিউ এম ও গী মতাংদুদগী, ঐ তাতোনহোয়দগী খঙনিংবা মরম য়াম্না লৈরি।

পাইখোম্বা :- ইচন থোইবী, ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ এম ও) হায়রিবা অসি ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল ওর্গানাইজেসন অমনি, হায়রিবা ওর্গানাইজেসন অসি মালেমগী লৈবাক ১৯২ না পুন্সিল্লগা শেম্বনিকো। মসিগী হেড ক্বার্টরনা স্বিজরলেন্দগী জেনেভা হায়রিবা মফম অদুদা লৈ। ওর্গানাইজেসন অসিনা মালেমগী ওইবা ইনভাইরোন্টমেন্টেল ইশুশিং মরুওইনা ৱেদর, ক্লাইমেৎনচিংবগী মরমদা থীজিনবা, নেচরেল দিজাষ্টর হায়বদি নোংলৈ নুংশিৎ, ঈশিং-ইচাও, য়ুহার হাবা, সুনামিনচিংবা কয়া থোক্লক্কদবদগী মাঙজৌননা খঙদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎহৌবা, অমাং অতা থোক্কদবদগী ঙাকথোকপা, মীশি মীনা থোক্তনবা হোৎনবা অমদি মালেমগী হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খলনা মরম ওইরগা অমাঙবা কয়া থোরক্লিবা অসিদগী কন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি।

থোইথোইবা :- ইতৈমা ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎ হায়রিবা অনি অসি য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ অদুবু ৱেদরগা ক্লাইমেৎকা অনি অসে চপ মান্নে হায়বদি য়াদেকো।

শখিতোন্বী :- অদুদি করিগীনো ইবুংঙো, মরম অদু ইতৈমদা ফজনা অমুক্তা খঙহল্লু। ইতৈমদি ৱেদরগা ক্লাইমেৎকসে অমত্তনি খল্লিবনি।

থোইথোইবা :- ক্লাইমেৎ হায়রগনা ঐখোয়না অশাংবা মতমগী ওইবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী, ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভমশিং অদুবু খঙনগনি। মফম অমগী লম অমগী ক্লাইমেৎটিক কন্দিসন অসি মফম অদুগী চহি কয়াগী ৱেদরগী মওং-মতৌশিং অদুগী চাংচৎ অদুবুনিকো। ইশম শম্না হায়রবদা ৱেদর হায়বসিনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা এটমোস্ফিয়ারগী মওং মতৌশিংবুনি অদুগা ক্লাইমেৎ হায়রগনা লমদম অদুগী মফম অদুগী চহি কয়া হায়বদি চহি ৩০মুক্কী মনুংদা ওইরিবা ৱেদরগী চাংচৎ অদুনি। ক্লাইমেৎকী মরমদা থিজিল্লিবা নৈনরিবশিং অদুবুনা ক্লাইমেটোলোজি হায়না খঙনৈ।

মংলেমজাও :- ইবুংঙো লম অমগা অম অমগগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং অসি অমত্তা মান্নদে, ক্লাইমেৎকী মওং মতৌ খেন্নবগী মতুংইন্না মালেম অসি মফম কয়া থোক্লা খায়দোকই হায়বদুসু খঙনিংঙি।

শখিতোন্বী :- হোয়নে লম খরদনা য়াম্না শাই, খরা অমনা খঙইং ইংঙি, মফম খরদনা নোং লিক্লা তাই, খরদনা নোংজুগী চাং য়াম্না ৱাংই, অমত্তা হেক মান্নদে।

পাইখোম্বা :- উম য়াম্না চুম্বা ৱাফম্নি ইতৈমনা হায়রিবশিং অদু। মালেমগী ওইনা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা খেন্নবগী মতুংইন্না ক্লাইমেৎ জোন মখল ৫ থোক্লা লৈ মদুদি ট্রোপিকেল, দ্রাই, মিড-লেটিট্যুদ, কোল্ড মিড-লেটিট্যুদ অমদি পোলর হায়না ৫ থোক্লা খায়দোকই।

ৱাংথোইবী :- তাতোন হায়রিবা মখল ৫ অসি প্রাইমারি ক্লাইমেৎ জোন হায়বদুনিকো।

পাইখোম্বা :- উম মানি ইচলদি য়াম্নবু খঙলম্মী।

ৱাংথোইবী :- অদুবুদি ঐসু ইবুং স্কোলার অনিগী মচলনিদনা, অদুনা খঙবা তাবা (ময়াম নোকমিন্নবা)।

থোইথোইবা :- অদুদি সেকেণ্ডরি ক্লাইমেৎ জোন শিংদুসু নঙ হায়রকওদনা ঐখো অমুক তাগে।

ৱাংথোইবী :- অস অদুদি খঙসু খঙদনা কমায় হায়দোইবা ঐদি ক্লাইমেৎ অমদি ৱেদরগী মরমদা নখোয়দৌনা থীজিনবসু নৎতনা।

থোইথোইবা :- সেকেণ্ডরি ক্লাইমেৎ জোন ১২ লৈকো। মদুদি রেইন ফোরেষ্ট, মোনশুন, ট্রোপিকেল সভান্না, হ্যুমিদ সব-ট্রোপিকেল, হ্যুমিদ কন্টিনেন্টেল, ওসিনিক ক্লাইমেৎ, মেডিটেরিনিয়ন ক্লাইমেৎ, ষ্টেপপি, সব-আর্টিক ক্লাইমেৎ, তুন্দ্রা, পোলর আইচ-কেপ অমদি দিজার্ট হায়বনচিংবসিনিকো।

শখিতোন্বী :- ইবুংঙা ঐসু কৈনোমতা হায়হৌগে।

পাইখোম্বা :- করিনো ইতৈমা হেক্তা হায়বীয়ো।

শখিতোন্বী :- অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংসিদি কমায়না ওল্লি, করি করি খুৎলাই শীজিন্নদুনা ওনগে ইবুংঙো।

পাইখোন্বা :- ইতৈমা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা ওন্নবা ইনষ্টুমেন্ট খরদংগী মমিং হায়জরক্কে, বারোমিটর হায়রিবা খুৎলাই অসিনা ইয়র প্রেসর হায়বদি নুংশিৎকী শাফু ওনবদা শীজিন্নে। নোংজুগী চাং ওন্নবা খুৎলাইনা রেইন গ্বেজ হায়রিবসিনিকো ইতৈমা।

থোইথোইবা :- ৱিন্ড ভেননা নুংশিৎনা করন্বা মায়কৈদগী হুমলকই হায়বা তাকই, নুংশিৎকী অয়াংবগী খোংজেলবুনা এনিমোমিটর হায়রিবা খুৎলাই অসিনা ওল্লি অদুগা ইতৈমা ঐখোয়গী মালেম অসিগী শাবগী চাং অসিবুনা থর্মোমিটরগী মতেংনা খঙবা ঙম্মী, রিলেটিভ হ্যুমিদিটি নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংবুনা হাইগ্রোমিটিরনা ওল্লি অমদি সোলর রেডিএসনগী চাংবুনা পাইরানোমিটর হায়রিবা খুৎলাই অসিগী মতেংনা ওনবা ঙমই।

মংলেমজাও :- ইবুংঙো, নয়ান্বা মরক থৎনা কৈনোমতংগা হংহৌগে, ঐনা গ্যান তাদবা মরম খরা লৈরে।

পাইখোন্বা :- তাচৌ করি করন্বা গ্যান তাদবা মরম য়াওবিরবগে।

মংলেমজাও :- কৈসু নৎতেদা নখোয়দবুদি ইরায় লায়বা ৱাফমনি, মীচম ঐখোয়নদি মমুৎ তানা খঙদবা মরমনিদা।

থোইথোইবা :- অদু করিনো হেক্তা হায়বিয়ু তাচৌ।

মংলেমজাও :- হেরা আই পি সি সি হায়রিবসি ইন্টরগোভর্নমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বা নৎত্রা।

পাইখোন্বা :- উম মানি তাচৌ।

মংলেমজাও :- মখোয়না মালেমসিদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি করি করিনো।

থোইথোইবা :- তাচৌ আই পি সি সি হায়রিবসি মালেমগী অপুনবগী ওইবা ইউনাইটেদ নেসন্সগী বোডি অমনি, ইং ১৯৮৮ তগী হায়রিবা বোডি অসি শেমদুনা মালেমসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশাগী ফীভম অমদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্বৈশিং থীজিন-খোৎচিনবগী থবক থৌরম কয়া অমা লৌখৎলি।

শখিতোন্বী :- হায়মা ! ঐখোয়দি ৱারী নুংঙাইমনখিদুনা নুমিৎ তাবগসে অমত্তা খঙহৌদরেনে তৌরিসিদি । হায় ইবেম্মা নবুংশিংসে ৱারম্লগনি নঙ সন্ধ্যাগী ধুপ থাউমৈ থাদোক্লবা তৌরুরো, ঐসু চাক থোংননবা তৌরুরগে।

পাইখোন্বা :- ইতৈমা থোইথোইবসে লোক্তাক পাৎ য়েংনিংঙি হায় হয়েংদি লোক্তাক পাৎ য়েংবা ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা চৎলুরসি।

মংলেমজাও :- হোয়নে চৎলুসি চৎলুসি, ইনাওনা মণিপুরগী হেক য়েংনিংবা মফম খুদিং নয়াম্বনা পুদুনা চৎকদৌরিবনিকো অদো নোয়বু  সিদা কয়াম কুইনা লৈগদবনো।

থোইথোইবা :- তাচৌ পাইখোম্বা ইবানি থামুক্তি সিদা লৈদুনা মফমসিগী ওইরিবা ৱেদর কন্দিসনগী মরমদা খরদং থীজিনশিরা খল্লি।

ৱাংথোইবী :- তাতোন ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল ডিপার্টমেন্টনা হৌজিক হৌজিক থাগৎলক্লিবা ৱেদর ৱার্নিং বুল্লেটিন অসি য়েংঙুনে তু, হৌজিক্তা ঐনা ইন্টরনেৎ হাংলগা য়েংঙুবনি ঐগী ফোনসিদা।

পাইখোম্বা :- কদায়নো পীরকও য়েংগে... আ ঙসিদগী নুমিৎ হুম্নিরোম মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ভারতকী লমদমশিংদা অখাক অরাও, অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

শখিতোম্বী :- ইস ! ওন্থোক্লা কীজরেদা কমায় তৌনি অদুদি, হায় হায় হয়েং ঐখোয় লোক্তাক পাৎতা কোয়বা চৎপা য়াদ্রেকো। হৌজিকপু লোক্তাক পাৎতগা ইরাক্লদুনা শিবগা ঙমজখেরোইকো ঐ।

মংলেমজাও :- শখিতোম্বী নঙবু অমুক্তা লাঙখিনুনে মেন তানা ৱাসি অমুক্তা খন্নখিসি কৈদৌবগে। অদুদি অঙাংশা কোন্না তপ্না নোংমা চৎপা হায়দুদা তারেদনা, মেট ডিপার্টমেন্টনা মাংজৌননা অশোয় অঙাম খুদোংথিবা থোক্তনবা মীয়ামদা পাও পীবিরিবসে ওন্থোক্লা ফখ্রবা জাৎনিকো, মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙগদবদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি।

থোইথোইবা :- (নুংশিৎ শিৎলকপগী মওং) হায়রিমক্তদা নুংশিৎ শিৎপা হৌরক্লমাল্লে।

পাইখোম্বা :- লাকও ইমুংদা চংলসি।

ৱাংথোইবী :- (নুংশিৎ কন্না শিৎলকপা) নুংশিৎসি কন্না শিৎলক্লে, ঐদি য়াম কীজৈয়ে।

শখিতোম্বী :- (পাখৎনা) হায় হায় লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও থোঙ থোঙনাও লোনশিল্লুরসি লাকও।

ময়াম :- (পাখৎনা) ইস! নুংশিৎসিদি সুম কনখৎলক্লেনে তৌরিসি। (নুংশিৎ কন্না শিৎপা, নোং কন্না খোংবা) ।

-ম্যুজিক-